## ঈ য়ুগী ফম য়েন্থোকপগী মীফম পাঙথোক্লগনি

মদ্রিদ, মে ২৬(এজেন্সি) :

য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্টগী অচৌবা ফমশিং য়েন্থোকপগী মতাংদা খন্ননবা স্পেনগী সোসলিষ্ট প্রাইম মিনিষ্টর পেদ্রো সাঞ্চেজনা ফ্রান্সকী সেন্ট্রিষ্ট প্রসিদেন্ট ইম্মান্যুএল মেক্রোনগা নিংথৌকাবা নুমিৎতা উনরগনি হায়না প্রাইম মিনিষ্টরগী ওফিসনা ফোঙদোকখ্রে।

ঈ য়ুগী মীখল অদুদা স্পেনদা সাঞ্চেকী পি এস ও ঈ পার্টিনা ভোট মশিং খ্বাইদগী য়াম্না ফংবা ঙমখি। ফ্রান্সতনা মরিনে লে পেনগী ফার-রাইট রসেমব্লেমেন্ট নেসনলনা ভোট অয়াম্বা ফংখি।

## হিরোয়শিং থাদোকপগী ৱাফম য়াখিদ্রে

মোস্কো, মে ২৭(এজেন্সি) :

য়ুক্রেনগী হিরোয় ২৪ থাদোক্লবা ইন্টরনেসনল মরিটাইম ট্রাইব্যুনেল অমনা রসিয়াদা তৌরকখিবা আপিল ক্রেম্লিননা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়াখিদ্রে। রসিয়ন সিক্যুরিটি ফোর্সশিংনা মখোয়বু ফাখিবা ষ্ট্রেট অদুদা কোর্ট অসিগী জুরিসদিক্সন লৈতে হায়রদুনা রসিয়ানা আপিল অদু য়াখিদবনি।

## মাইনোরিটি মুস্লিম নুপা ১০ হাৎপগী জেলদা থমখিবা ম্যান্মারগী লান্মীশিং চহী ফাদনা থাদোকখি

য়াঙ্গোন, মে ২৭ (এজেন্সি):

ম্যান্মারগী ৱেষ্টর্ন রেখায়ন ষ্টেটতা কুমজা ২০১৭ তা লৈবাক অসিগী মিলিটরিনা মুস্লিম লালহৌবশিংগী মায়োক্তা চথখিবা অকনবা কেম্প্যেন অমদা রোহিঙ্গা মুস্লিম কাঙলুপকী নুপা অমসুং নুপামচা পুন্না মীওই ১০ হাৎখিবগীদমক্তা জেলদা থমখিবা লান্মী ৭ ম্যান্মার ওথোরিটিজনা য়াম্না ঙন্না থাদোকখি হায়না জেলগী ওফিসল অনী, হান্নগী ফেলো ইনমেট অনী অমসুং লান্মীশিং অদুগী মরক্তগী অমনা রোইটর্সতা ফোঙদোকখ্রে।



লান্মীশিং অদু হৌখিবা চহীগী নম্বেবরদা জেলদগী থাদোকখি হায়বদি ইন দিন ভিলেজদা রোহিঙ্গা মুস্লিম ১০ হাৎখিবগীদমক্তা চহী ১০ জেলদা লৈফম থোকপদা শুপ্নগী চহী অমা ফাওবা য়ৌদনা থাদোকখি হায়না ইনমেট অনীনা ফোঙদোকখি।

মখোয় মীহাৎশিং অদুবু থেংনরকখিবা রোইটর্সকী রিপোর্টর অনীদগীসু মতম হন্থনা জেলদা লৈখি। ৱা লোনে অমসুং চো সু উ হায়রিবা জর্নেলিষ্ট অনী অসি লোগী মায়োক্তা লৈবা মওংদা ষ্টেটকী অরোন-অথুপ কয়া লৌরম্বগী মরালদা থা ১৬ হেন্না জেলদা লৈখি। মখোয় অনী গভর্নমেন্টকী মায়কৈদগী লাউথোরকখিবা ফাদোকশিংবু ঙাকপিবগী খোঙথাং অমদা হৌখিবা মে ৬ তা জেলদগী থাদোকখিবনি।

রখায়ন ষ্টেটকী সিটৱে জেলগী চীফ ৱার্দেন ৱিন নাইং অমসুং কেপিটেলগী সিনিয়র প্রিজন ওফিসল অমনা কনভিক্ট তৌরবা লান্মীশিং অদু থা খরগী মমাংদা জেলদগী থাদোকখি হায়বা ৱাফম অসি কনফার্ম তৌখি। মশক মমিং ফোঙদোক্লিংদবা কেপিটেলদা বেজ তৌবা সিনিয়র ওফিসল অদুনা লান্মীশিং অদুগী চৈরাক মিলিটরিনা হন্থহনখিবনি হায়না ফোঙদোকখি।

জেলগী ওফিসল অমনা মখা তাবা অকুপ্পশিং ফোঙদোকউ হায়বদি য়াখিদে। মীয়ামদা ফোঙনা লাউথোকখিদবনা লান্মীশিং অদু থাদোকখিবগী চপ চাবা মতম মখোয়না খঙদে হায়খি। মিলিটরি স্পোক্সমেনশিং ওইরিবা জাও মিন টুন অমসুং টুন টুন নিনসু হীরম অসিগী মতাং কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

রোহিঙ্গা মুস্লিম ৭৩০,০০০ হেন্না বাংলাদেশতা নমদুনা চেলহনখিবা কুমজা ২০১৭ দা রখায়ন ষ্টেটতা চথখিবা শাথিরবা ওপরেসন অদুগা মরী লৈননা মিলিটরিনা চৈরাক পীখিবা সিক্যুরিটি পর্সনেলশিংদি শুপ্নগী লান্মী ৭ অসিনা ওইখি।

ম্যান্মার মিলিটরিগী অকনবা কেম্প্যেন অদু কাঙলুপ অমবু তোরা তুনা হাৎনবগী পান্দমদা চথখিবনি। কেম্প্যেন অদুদা ম্যান্মার আর্মিনা মী পাক্তক্লনা হাৎখি। নুপী কয়া গেং রেপ তৌখি অমসুং য়ুম-কৈশিং পাক শন্না তুম্না মৈ থাখি হায়না য়ু এন ইনভেষ্টিগেটরশিংনা মখোয়গী রিপোর্টতা ফোঙদোকখ্রবনি। অমরোমদা, ম্যান্মারনদি ইনভেষ্টিগেটরশিংগী ৱাফম অসিদা য়ানিংদবা ফোঙদোকখিবসু লৈখ্রে।

## জোন বোল্টন সিক্যুরিটি থুগায়বা মীনি, সিক্যুরিটি এদভাইজর নত্তে : নোর্থ কোরিয়া

সিওল, মে ২৭ (এজেন্সি):

হন্দক্তা নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকখিবা মিসাইল চাংয়েংশিং অদুনা য়ু এনগী রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনৈ হায়না য়ু এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর জোন বোল্টননা য়েৎলিবসি মহাক হীরম অসিগী মতাংদা করিমক্তা খঙদবগী মওংনি হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা নিংথৌকাবা নুমিত্তা ফোঙদোকখ্রে।

মিসাইল চায়েংশিং লেপ্পা হায়বসি মশা ঙাকথোকচবগী রাইট থাদোকচবগা মান্নে হায়না নোর্থ কোরিয়াগী ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অমগী ষ্টেটমেন্ট অমা পল্লদুনা ষ্টেট এ সী এন এ ন্য এজেন্সিনা হায়রি। মশক মশিং ফোঙদোকখিদবা ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন অদুনা য়ু এসগী টোপ ওফিসলশিংগী মরক্তগী বোল্টন খক্তবু পনদুনা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি।



পনবা য়াই, য়ু এস নেসনল সিক্যুরিটি এদভাইজর অসিনা হন্দক্তা নোর্থ কোরিয়ানা পাঙথোকখিবা মিসাইল চায়েংশিং অদু য়ু এন সিক্যুরিটি কাউন্সিলগী রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনৈ হায়বসিদা চিংনিঙাই লৈতে হায়না ফোঙদোকখিবনি।

বোল্টনগী ক্লেম অসি তশেংনমক হীরম অসিগী মতাংদা চুম্না খঙদবদগী ফাওবা হেল্লবনি হায়বা য়াই হায়না ফোঙদোকপগা লোয়ননা স্পোক্সমেন অদুনা হায়, নোর্থ কোরিয়াগী মিলিটরি দ্রিলশিংনা কনামক্তদা টার্গেট তৌখিদবদা নত্তনা অকোয়বদা লৈরিবা লৈবাকশিংদা খুদোংথিবা অমত্তা থোকহনখিদে। তৌইগুম্বসুং বোল্টননা খুৎলায় চায়েংশিং অদুনা য়ু এন রিজোল্যুসনশিং খোঙ্গাওনৈ হায়না হঞ্জিন-হঞ্জিন্না ক্লেম তৌদুনা অতৈ লৈবাক্কী মনুংগী ওইবা ৱাফমশিং নৎত্রগা থৌরমশিংদা খুৎ থিংজিন্নবা হোৎনরি। নোর্থ কোরিয়াবু তক্তনা ক্রিটিসাইজ তৌরিবা জোন বোল্টন অসি সিক্যুরিটি এদভাইজর অমগী মথৌ তৌবদগীদি সিক্যুরিটি থুগায়বগী থবক তৌবনা হেল্লি। য়েংবদা ফিভম চাদবা মীওই অমগী মচিন্দগী অসিগুম্বা ফজদবা ৱাহৈশিং থোক্লকপদা ঐখোয়না নত্তে হায়না স্পোক্সমেন অদুনা মখা তাখি।

## টাইৱান অমসুং য়ু এস সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী তাংনা পাঙথোকপা মীফম চাইনানা কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে

তাইপৈ, মে ২৭ (এজেন্সি):

চহী ৪০ হেনবগী মনুংদা য়ু এস অমসুং টাইৱানগী সিনিয়র ওফিসলশিংগী মরক্তা মীফম অমা অহানবা ওইনা পাঙথোকখ্রে হায়বসি টাইৱানগী মায়কৈদগী কনফার্ম তৌরকখিবদা চাইনানা নিংথৌকাবা নুমিত্তা য়াম্না কন্না য়ানিংদবা ফোঙদোকখ্রে।



টাইৱানগী ওফিসল সেন্ট্রেল ন্যুজ এজেন্সিনা ফোঙদোকখিবদা মীফম অদু ইথৎ অদুনা কুমজা ১৯৭৯ দা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকা ফোর্মেল দিপ্লোমেটিক মরী তৎনখ্রবা মতুংদা অহানবা ওইনা পাঙথোকখিবনি। চাইনানা টাইৱানবু তঙাইফদ্রবদি ফোর্স শীজিন্নদুনা নৌনা লৌশিনবা য়াবা লমহেনবা প্রোভিন্স অমনি হায়না লৌবগা লোয়ননা মীফম অদুনা ৱাশিংটনগা অকনবা লল্লোন-ইতিক্কী লান অমা শোক্লদুনা লাকখিবা বৈজিংবু খোইরাং খোইশাওহনখি।

টাইৱান অমসুং য়ু এসকী সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী মীফম অদুগী মতাংদা রিয়েক্ট তৌরদুনা চাইনিজ ফোরেন মিনিষ্ট্রিগী স্পোক্সমেন লু কাংনা নুংতিগী ওইনা পাঙথোকপা ন্যুজ ব্রিফিং অমদা হায়খি মদুদি, য়ু এস অমসুং টাইৱানগী সিনিয়র সিক্যুরিটি ওফিসলশিংগী মরক্তা মীফম অমা পাঙথোকখিবসি চাইনানা অদুক্কী মতিক পেন্দে অমসুং লৈবাক অসিনা অসিগুম্বা খোঙথাংগী মায়োক্তা চেৎনা লেপ্পি। য়ুনাইটেদ ষ্টেটস অমসুং টাইৱানগী মরক্তা মখল খুদিংগী ওফিসল কন্টেক্টশিং অমদি মীফমশিং পাঙথোকপগী মায়োক্তা চাইনানা চেৎনা লেপ্পি।

লল্লোন-ইতিক্কী লান কনখৎলকপা, য়ু এসনা টাইৱানবু শৌগৎপা অমসুং চাইনানা সাউথ চাইনা সীদা মিলিটরি পাঙ্গল কন্না শাগৎলকপগা ইরোইননা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসনসু মফম অদুদা নীং-তম্না নেভিগেসন তৌবগী পেট্রোলশিং পাঙথোকপনা মরম ওইদুনা হৌখিবা চয়োল খরা অসিদা বৈজিং অমসুং ৱাশিংটনগী মরক্তা লৈনরিবা দিপ্লোমেটিক মরীশিং কা হেন্না শোকশিল্লকখি।

তাংনা পাঙথোক্লিবা মীফম অদু টাইৱানগী মায়কৈদগীদি ট্রম্প এদমিনিষ্ট্রেসন্না ইথৎ অসিবু শৌগৎপগী খুদম চাংদম্লি হায়না লৌগদৌরিবনি। দেম্মক্রেটিক লৈঙাক লৈবা ইথৎ অদুবু 'ৱান চাইনা'গী শরুক অমনি হায়না খল্লিবা বৈজিং অমসুং টাইপৈকী মরক্তসু হৌখিবা মতম খরা অসিদা উংখৎনবা হেগৎলকখিবনি।

মীফম অদু টাইৱানগী নেসনল সিক্যুরিটি চীফ দেভিদ লীনা হৌখিবা মে ১৩-২১ দা চৎখিবা য়ুনাইটেদ ষ্টেটসকী খোঙচৎ মনুংদা পাঙথোকখি হায়না টাইৱানগী ষ্টেটমেন্ট অমনা ফোঙদোকখি।

ষ্টেটমেন্ট অদুনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, খোঙচৎ অদুদা য়ু এস গভর্নমেন্ট ওফিসলশিংগা লোয়ননা নেসনল সিক্যুরিটি চীফ লীনা ঐখোয়গী দিপ্লোমেটিক মীচংশিংগী মীহুৎশিংগসু পুন্না ফমিন্নদুনা ৱারী শান্নখি। মীফম অদুদা ইন্দো-পেসিফিক লমদম্বু অয়েৎ-অপন অমক্তা লৈহন্দবা মফম অমা ওইহনবগী ৱাফম অমা য়ান্নখি। হীরম অসিগী মতাংদা টাইৱানগী ফোরেন এফ্যেরস মিনিষ্ট্রি অমসুং টাইৱানদা লৈবা দে ফেক্টো য়ু এস এম্বেসিনা কমেন্ট পীয়ু য়াখিদে।

## নাইজেল ফেরাজনা দিমান্দ তৌখ্রে

সাউথমটন, মে ২৭ (এজেন্সি) :

বৃটেনগী অনৌবা পার্টি অমা ওইরিবা ব্রেক্সিট পার্টিনা য়ুনাইটেদ কিংদমগী য়ুরোপিয়ন পার্লিয়ামেন্ট মীখলদা চাওনা মায় পাকপা ঙমখিবদগী পার্টি অসিগী লুচিংবা নাইজেল ফেরাজনা ব্রেক্সিটকী নিগোসিএসনতা মফম অমা পীয়ু হায়না নিংথৌকাবা নুমিত্তা দিমান্দ তৌখ্রে।


**MEEYO COACHING CENTRE**

Sega Road Konjeng Hajari Leikai (Opposite The Sangai Express)

ꯃꯤꯌꯣ ꯀꯣꯆꯤꯡ ꯁꯦꯟꯇꯔ

**Admission Open for :-**

**FOUNDATION COURSE : CLASS X (BOSEM)**

**CLASS XI / XII (COHSEM) & CBSE SCIENCE/ARTS**

**Class Commencing from June 15th 2019**

**Special Features :**

1. Well experience faculties from the reputed institution
2. Chapter wise test
3. Special grand mock test.
4. Providing probable question and Answers.
5. Previous year question analysis of BOSEM and COHSEM

Class Timing : 5:30 am to 7:30 am (Morning Shift)
3:30 pm to 5.30 pm (Evening Shift)

HL-B/5417/28/5-11/6

**Contact No. 8787895321/7005025873**



Affiliation No. 1/96/96-Vol. V

ꯐꯣꯇꯣꯟ ꯁ꯭ꯀꯨꯜ

Estd. 2015

**PHOTON SCHOOL**

Kwakeithel Thiyam Leikai, Near Water Reservoir, Imphal-01

**A Unique Co-educational Higher Secondary School of Science**

**DIRECT ADMISSION; 45% & Above**

**Admission Opens for Class XI Science 2019-20**

Eligibility : Class X Passed (BOSEM/CBSE)

**Opportunities;**

| | |
|---|---|
| Rankers | : Total Free Education + Hostel + Scholarship |
| 80% & Above | : Admission + Monthly fees + Books + Uniform + Coaching free |
| 75% & Above | : Admission + Monthly fees + Uniform + Books free |
| 70% & Above | : Admission + Monthly fees + Uniform free |
| 60% & Above | : Admission or Monthly fees free |
| 55% & Above | : Half Admission Free |
| 50% & Above | : Uniform free |
| 45% & Above | : Direct Admission |
| Passed | : Conditions apply |

Entrance Test on; .....
Session starts on; .....

**Subjects Offered:**

1. English 2. MIL/ALT. E. 3. Physics
4. Chemistry 5. Biology 6. Mathematics
7. Computer Science & 8. Home Science

**Introducing NEET-JEE class from this Session**

For Details, Pliz, Contact Office of the PHOTON SCHOOL, Kwakeithel. / Ph.No. 7005303412/7005588538/7005439898/8837451193

HL-P/6192/9,12,15,18-30



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ADVERTISEMENT NO. 1 /2019
Dated, the 27th May, 2019

No. MU/6/14/2019/Admn.I (Pt): Applications in the prescribed form are invited from Indian Nationals for filling up the following Group-A posts in the Manipur University.

| Post Code | Name of Post | Scale of pay (Revised) | Pay Level in the Pay Matrix | No. of Post | To be filled by the following category |
|---|---|---|---|---|---|
| 01. | Registrar | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 02. | Controller of Examinations | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 03. | Librarian | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 04 | Finance Officer | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 05 | Director, UGC, HRDC | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 06. | Principal Manipur Institute of Technology (MIT) | Rs. 144200-218200/- | Level-14 | 1 | UR |
| 07. | Deputy Librarian | Rs.79800-211500/- | Level-12 | 1 | UR |
| 08. | Deputy Finance Officer | Rs.78800-209200/- | Level-12 | 1 | UR |
| 09. | University Engineer | Rs.78800-209200/- | Level-12 | 1 | UR |
| 10. | Systems Manager | Rs.78800-209200/- | Level-12 | 1 | UR |
| 11. | Information Scientist | Rs. 53100-167800/- | Level-9 | 1 | OBC |
| 12. | Assistant Registrar | Rs. 53100-167800/- | Level-9 | 4 | 1-UR<br>1-SC<br>1-PWD (UR)<br>1-OBC |
| 13 | Programmer | Rs. 53100-167800/- | Level-9 | 1 | UR |
| .14. | Medical Officer | Rs. 53100-167800/- | Level-9 | 1 | UR |
| 15. | Curator | Rs. 53100-167800/- | Level-9 | 1 | UR |
| 16. | Public Relations Officer | Rs. 53100-167800/- | Level-9 | 1 | UR |
| 17. | Hindi Officer | Rs. 53100-167800/- | Level-9 | 1 | UR |

Application form and General terms and conditions can be downloaded from the University website: www.manipuruniv.ac.in or can be obtained from the University Cash Counter on payment of Rs. 100/- in cash.

Application fee of Rs. 1000/- for UR & OBC candidates and Rs. 400/- for SC/ST/PWD candidates has to be remitted through RTGS/NEFT to State Bank of India, Manipur University Branch, Canchipur, Imphal, India on Account No. 35870889269 and IFSC: SBIN0005320.

Duly filled in application form complete in all respect along with relevant documents and proof of fee submission must reach to **The Registrar, Manipur University, Canchipur, Imphal – 795003,** preferably through speed post/registered post on/before the 29th June, 2019.

Those in service should apply through proper channel.

The candidates who had applied earlier for the posts against the **Advt. No.2/2011 dated 28th March 2011, Advt.No.2/2011 dated 22nd December 2011, Advt. No. 1/.2014 dated 22nd October, 2014, Advt. No. 2/2015 dated 16th December, 2015** and **Advt. No. 1/2017 dated 3rd August, 2017** need not apply afresh but may update their bio-data, if willing.

The '**Name of the Post Applying For**' must be clearly mentioned on the envelope containing the application.

Sd/- T. Shantikumar Singh
Deputy Registrar (Admn.)

HL-P/5418/28,29



MANIPUR UNIVERSITY
CANCHIPUR: IMPHAL

ADVERTISEMENT NO. 2 /2019
Dated, the 27th May, 2019

No. MU/6/14/2012/Admn.I: Applications (online) are invited from eligible candidates for appointment to the following Group B & C posts in the Manipur University.

| Post Code | Name of Post | Scale of pay (Revised) | Pay Level in the Pay Matrix | No. of Post | To be filled by the following category |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Statistical Officer | 44900-142400 | Level-7 | 1 | 1-UR |
| 2 | Professional Assistant | 35400-112400 | Level-6 | 1 | 1-UR |
| 3 | Photographer | 35400-112400 | Level-6 | 1 | 1-UR |
| 4 | Statistical Assistant | 35400-112400 | Level-6 | 1 | 1-UR |
| 5 | Senior Assistant | 35400-112400 | Level-6 | 1 | 1-UR |
| 6 | Computer Assistant | 35400-112400 | Level-6 | 1 | 1-UR |
| 7 | Data Entry Operator | 29200-92300 | Level-5 | 1 | 1-UR |
| 8 | Semi Professional Assistant | 29200-92300 | Level-5 | 2 | 1 –UR,1-ST |
| 9 | Library Technician | 29200-92300 | Level-5 | 1 | 1-UR |
| 10 | Store Keeper | 25500-81100 | Level-4 | 5 | 2-UR,1-OBC,1-ST,1-SC |
| 11 | Assistant | 25500-81100 | Level-4 | 3 | 1-UR,1-ST,1-SC |
| 12 | Junior Stenographer | 25500-81100 | Level-4 | 15 | 6-UR,3-OBC,5-ST,1-SC |
| 13 | Draftsman | 25500-81100 | Level-4 | 1 | 1-UR |
| 14 | Library Attendant | 19900-63200 | Level-2 | 3 | 2-UR,1-ST |
| 15 | Driver | 19900-63200 | Level-2 | 3 | 2-UR,1-ST |
| 16 | Junior Assistant | 19900-63200 | Level-2 | 9 | 3-UR,3-ST,2-OBC,1-SC |
| 17 | Hindi Typist | 19900-63200 | Level-2 | 1 | 1-UR |
| 18 | Laboratory Attendant | 19900-63200 | Level-2 | 5 | 3-UR,2-ST |
| 19 | Plumber | 19900-63200 | Level-2 | 1 | 1-UR |
| 20 | Scribe | 19900-63200 | Level-2 | 2 | 1-UR,1-OBC |
| 21 | Carpenter | 19900-63200 | Level-2 | 1 | 1-ST |
| 22 | Gestetner Operator | 19900-63200 | Level-2 | 1 | 1-UR |
| 23 | Pipe fitter | 19900-63200 | Level-2 | 1 | 1-ST |
| 24 | Multi Tasking Staff | 18000-56900 | Level-1 | 13 | 5-UR,3-OBC,4-ST,1-SC |

**Total- 74 posts**

Application form has to be made online only from the University website **www.recruitment.manipuruniv.ac.in** and then downloaded hard copy of the application along with the required documents and Bank Draft has to be submitted to: The Registrar, Manipur University, Canchipur, Imphal -795003.

The Bank Draft has to be drawn in favour of the Registrar, Manipur University payable at SBI, Manipur University, Canchipur, Imphal – 795003 (code No. 5320). The application fee for UR & OBC candidates is Rs. 500/- and for SC/ST/PWD candidate is Rs. 300/-

*Details of Required Qualifications & General Terms & Conditions is available at the website: **www.manipuruniv.ac.in**

**IMPORTANT DATELINES**

| | |
|---|---|
| START OF ONLINE APPLICATION: | 28/05/2019, 5.P.M. ONWARDS |
| LAST DATE FOR ONLINE APPLICATION: | 27/06/2019 UPTO 5.P.M. |
| LAST DATE FOR RECEIPT OF HARD COPY PRINT OUT ALONG WITH DOCUMENTS AND BANK DRAFT: | 15/07/2019 UPTO 3.P.M. |

Sd/- T. Shantikumar Singh
Deputy Registrar (Admn.)

HL-P/5418/28,29